# শান্নরোয়শিং মাগী মাগী পার্ফোমেন্সকী মতুংইন্না লৈঙাক্লা থবক পীবিরবদি হেন্না ফবা শান্নরোয় কয়া লমদম অসিদগী লেপ্পা লৈতনা পুথোকপা ঙমগনিঃ ৱাইখোম সোনিয়া

**শান্নবুংগী পাউদম**
**গ্যানন্দ নাওরেম**

স্পোর্টসকী পব্রার হাউসনি হায়রিবা লমদম অসিগী শান্নরোয়শিং মাগী মাগী পার্ফোমেন্সকী মতুংইন্না লৈঙাক্লা থবক পীবিরবদি হেন্না অফবা শান্নরোয় কয়া লেপ্পা লৈতনা পুথোকপা ঙমগনি হায়না ফেন্সিং মশান্নদা নেশনল অমদি ইন্টরনেশনলগী থাক্তা মেদল কয়া লৌদুনা লমদম অসিগী অমদি লৈবাক অসিগী মীংচৎ কয়া পুরকখ্রবী ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সুগনু মখা লৈকায়দগী ৱাইখোম সোনিয়ানা ফোঙদোরক্লি।

ৱাইখোম সোনিয়া হৌখিবা কুমজা ২০০৫গী মার্চ ২৮দা ৱাইখোম ওজিৎ অমসুং ৱাইখোম ওংবী বিনোদিনি অনীগী ৪ শুবী মচানুপী ওইনা তাইবংদা খোঙদারকখিবনি। মহাক্কী মথক্তা মচে অহুম মখাদনা মনাওনুপী অমগা মৌপ্পা অমগা লৈরি। মহাক্কী অপোকপা ওজিৎনা সনা শাদুনা ইমুং মনুংগী তেকচাক পুদুনা লৈরম্বনি। অদুবু মতম খরগী মমাঙদা পেরালাইসিস তৌদুনা লৈখিবদগী ইমুং মনুংগী অৱাবা কয়া মায়োক্লহৌরি। তুংগী অশানবা মীৎয়েংনা মাঙদা থমদুনা হোৎনহৌরিবী সোনিয়া ককচিং খুনৌ কোলেজদগী গ্রেজুয়েসন লোইশিনখ্রে। মখা তানা শান্নদুনা অহেনবা মীংচৎ পুরক্লবা হোৎনবগী মথক্তা মাষ্টর তম্নবগীসু কন্না হোৎনহৌরি।

পাউচে অসিগা শান্নরোয় অসিগা অখন্ননা উনরুবদা সোনিয়ানা হায়, হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী মণিপুরদা হৌরকখিবা কাঙলুপকী ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা শান্নরোয়শিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লি। মরুওইনা ঈরাং হৌরকখিবা কাঙলুপ অনীনা য়াম্না নক্না খুন্দামীন্নবা মহাক্কী পোক্লফম লমদম সুগনুদা লৈবা শান্নরোয়শিং য়াওনা মীওই কয়া ময়ুম মকৈগী খনবগী মথক্তা ঈরাং অদুনা মণিপুর পুম্বদা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমদা লৈহনখিবনা মরম ওইরগা শান্নরোয় অয়াম্বা প্রেক্টিষ্ট তৌবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। অদুমকপু শান্নরোয় অমা ওইনা প্রেক্টিষ্ট তৌদ্রবসু কম্পিটিসন চৎনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া অমসু থেংনখি।

কুমজা ২০২২গী সেপ্টেম্বর ২৯দগী ওক্টোবর ১২ ফাওবা গুজরাটতা পাঙথোকখিবা ৩৬ শুবা নেশনল গেমসতা মহাক্না টিম ইভেন্টতা সনাগী মেদল লৌরকখি। কাঙলুপকী ঈরাং হৌখ্রবা মতুং কুমজা ২০২৩গী ওক্টোবর ২দগী নবেম্বর ৯ ফাওবা চথখিবা ৩৭ শুবা নেশনল গেমসতা টিমগী ওইনা গোল্ড মেদল, ইন্দিভিজুএলদনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০২৪গী জন্যুৱারী ২৮দগী ফেব্রুৱারী ১৪ ফাওবা উট্টরখন্দদা পাঙথোকখিবা ৩৮ শুবা নেশনল গেমসতা টিম অমসুং ইন্দিভিজুএলদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি হায়না ফোঙদোরকখি।

> *“ইরমদম মণিপুর অসি স্পোর্টসকী পব্রার হাউসনি হায়রবসু লাইরবা শান্নরোয়শিংদি অৱাবা, খুদোংচাদবা কয়া হৌজিকসু মায়োক্লরি, লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু’*

মহাক্না হায়, হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ২৮গী অঙনবা অয়ুককী পুং ২ রোম তারকপদা কুকিশিংনা সুগনু অমদি সেরৌগী এলিয়াদা নোংমৈ কাপশিনবা য়াওনা য়ুম মৈ থারকপদগী ইমুং মনুং পুম্বা শমজি খায়নদুনা লাঞ্জেন্নখিবদগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং তোখায় তোখায়না লৈনখি। মদুনা মরম ওইদুনা ৱাখল লৈতাফম খঙখিদে। লানফমদা লৈবনা প্রেক্টিষ্ট তৌফমসু খঙখিদে অদুবু কম্পিটিসনদি চৎতবা য়াদবনা অৱাবসু মায়োক্লখি। কাঙলুপকী ঈরাং মনুং ওইখিবদা ৩৮ শুবা নেশনল গেমসকীদমক নীংথিনা প্রেক্টিষ্ট তৌবা ঙমখিদবদগী সনাগী মেদল লৌরকপা ঙমহৌদবনি খল্লি হায়নসু সোনিয়ানা ফোঙদোরকখি।

মণিপুর লৈঙাক্লা নেশনল গেমসতা টিম নত্রগা ইন্দিভিজুএলদা সনাগী মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিংবু পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা লৈঙাক্কী থবক পীবগী থৌশিল লৈরিবা অদুগী মখাদা লৈঙাক্লা থবক পীরব্রা হায়না পাউচে অসিনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা সোনিয়ানা হায়, হৌখিবা কুমজা ২০২২দা পাঙথোকখিবা ৩৬ শুবা নেশনল গেমসতা সনাগী মেদল লৌরকখিবা অদু চহী অহুম্লোম শুখ্রে। অদুমকপু লৈঙাক্কী ওইবা থবক হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ফংবা লৈত্রি। অতৈ শান্নরোয়শিংসু ফংনরমগদৌবা মান্দে। মথৌ তাবা চে চাংনচিংবদি থাজিনখ্রে। অদুবু করম্বা মতমদা থবক পীরক্কদৌরিবনো হায়বদি খঙবা ঙমদ্রি। মণিপুর লৈঙাক্লা শান্নরোয়শিংগীদমক লৌখৎলিবা পোলিসি অসিমক্তি য়াম্না ফজে। শান্নরোয় অয়াম্বা শেল থুমগী ফীভম নুংঙাই য়াইফবা ইমুংদগী হৌরকপা নত্তে। লৈত লায়রনা অয়াম্বনি। শেল থোকপা লৈঙাক্কী থবক অমা পীবিরবদি শান্ন-খোৎনবদা মথৌ তাবা দাইত, ইক্কিপমেন্টশিং লৈদুনা হোৎনরবা অমদি ইমুং মনুংগী অৱাবদা শেলগী মতেং খরদা ওইরবসু পাংবা ঙম্লবদি ৱাখল তংদু লৈতানা হোৎনদুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকপদা হেন্না মতেং পাংবা ঙমগনি হায়না খল্লি। মরম অসিনা ফংফম থোক্লবা শান্নরোয়শিংগীদমক্তি মতম থিন্থবা তৌদনা মাগী মাগী পীফম থোকপা লৈঙাক্লা পীগনি হায়রিবা থবক অদু অথুবা মতমদা পীথোকহন্নিংবগী অপাম্বদি লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

মখা তানা পাউচে অসিনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা সোনিয়ানা হায়, হৌখিবা কুমজা ২০১৪-১৫গী অদুৱাইদা সুগনু কম্যুনিটি হোলদা ওজা জেকি অমসুং ওজা তাতোন অনীনা বোক্সিং তম্বীরম্মী। মদু উরুবদা শান্ননিংবগী ৱাখল ফাওদুনা শান্নবা য়াওরকখি। মতম খরা লৈরগা সাইগী সিলেক্সন তৌগনি হায়রকপদগী ওজা জেকি অমদি ওজা তাতোননা বোক্সিং শান্নবা মীদি য়াম্মী। মরম অদুনা ফেন্সিংগীদা ওইনা থাজিল্লো হায়না তাকপীরকপদগী ফেন্সিংগী ত্রাইএল সিলেক্সন য়াওখি। মদুদা মহাক খল্লক্তুনা কুমজা ২০১৬তগী সাই খুমন লম্পাক্তা লৈদুনা ওজা ইবোমচা, ওজা সোমোরজিৎ অমদি ওজা ওমিগী মখাদা ফেন্সিং শান্নবা হৌরকখিবনি।

চখোক চৎশিনগী অমদি শীজিন্নরিবা থাঙ ইশানা অয়াম্বা পুথোক্তুনা শান্নরকখিবনি। মতম অদুদা ইমুংগী শেল থুমগী খুদোংচাদবা কয়া থেংনখি। হৌজিক্তি নেশনল সেন্টর ওফ এক্সিলেন্স (এন সী ও ই) তাকয়েলদা লৈরে। মফম অসিদা লৈবদগী মথৌ তাবা অয়াম্বা মখোয়না পুথোকপিবদগী খরা শাফরে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মহাক্না মালেমগী থাক্তা কম্পিটিসন ৭ শরুক য়ারুরে। কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী ২৪দগী মার্চ ৪ ফাওবা উজবেকিষ্টানদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান জুনিয়র এন্দ কেদেট ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি। কুমজা ২০২৪গী সেপ্টেম্বর ১৪ অমসুং ১৫দা ন্যু দেল্লিদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেশনল ফেন্সিং ফেদরেশন (এফ আই ই) ফোইল ৱিমেন্স সিটিলাইট টুর্নামেন্টতা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি। নেশনল থাক্কী এচিভমেন্টতা ৩৬, ৩৭, অমসুং ৩৮ শুবা নেশনল গেমসকী টিমদা সনাগী মেদল ৬, ব্রোঞ্জ মেদল ৫ অদুগা ইন্দিভিজুএলদনা সনাগী মেদল ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৪ পুন্না সনাগী মেদল ১০ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৯ ফংখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা ইন্টরনেশনল অমদি নেশনলগী কেদেট, জুনিয়র, সিনিয়র, রেঙ্কিং, য়ুনিভর্সিটি অমসুং স্কুল গেমস য়াওনা তোঙান তোঙানবা কম্পিটিশন শরুক য়াখিবদা পুন্না সনাগী মেদল ২৭ য়াওনা মেদল কয়া ফংবা ঙমখ্রে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইরমদম মণিপুর অসি স্পোর্টসকী পব্রার হাউসনি হায়রবসু লাইরবা শান্নরোয়শিংদি অৱাবা, খুদোংচাদবা কয়া হৌজিকসু মায়োক্লরি। লাইরবা ইমুংদগী হৌরকপা শান্নরোয়শিংনা অয়াম্বা ওইবনা পীরিবা ফেসিলিটিশিং অসিনা মপুং ফাবদি নত্তে। মরম অদুনা স্পোর্টসকী পব্রার হাউসনি হায়নরিবা লমদম অসিগী শান্নরোয়শিং মাগী মাগী পার্ফোমেন্সকী মতুংইন্না লৈঙাক্লা থবক পীবিয়ু। মসিগী মথক্তা অচৌ অচৌবা টুর্নামেন্টশিংগী ক্বালিফাই ওইরবসু চখোক চৎশিন্দা শেলগী খুদোংচাদবা লৈরিবশিংগী মতাংদসু লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না ৱাইখোম সোনিয়ানা পাউচে অসিগী খুত্থাংদা মরী লৈনবা লোইশঙগী পুক্লিং চীংশিল্লক্লি।






## লুহেনবী মাইবম অমদি মথোইবী নামৈরাকপম তরাম্না ওকখ্রে




**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস):** জোর্জিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১দগী হৌরগা ৬ ফাওবা বাটুমিদা পাঙথোকখিবা ওপন ইন্টরনেশনল রুশু টুর্নামেন্ট ২০২৫দা ৱাঙ্খেই নিংথেম পুখ্রি মপানদগী লুহেনবী মাইবম অমদি নামৈরাকপম মথোইবী অনীনা মেদল ফংলকপদা মহারাজ গরিবনিৱাজ মেমোরিএল ক্লব ৱাঙ্খেই নিংথেম পুখ্রি মপালনা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ক্লব অসিগী হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না ক্লব অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুদা লুহেনবী মাইবমনা সিনিয়র ননগুন (লোং ৱিপন)দা গোল্ড মেদল অমা অমসুং সিনিয়র ননক্লান বিয়র হেন্দদা সিলভর মেদল অমা লৌবা ঙমখি। অদুগা নামৈরাকপম অথোইবীনা সব জুনিয়রগী টাইচি জিয়ানদা গোল্ড মেদল অমা অদুদা টাইচি ক্বানদা গোল্ড মেদল অমা পুন্না গোল্ড মেদল অনী লৌদুনা মণিপুরগী অমদি লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকখিবনি। তুংদা লাক্কদবা টুর্নামেন্ট কয়াদসু শান্নরোয় অনী অসিনা চাওনা মায় পাকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়রি।

## পীছ এন্দ ফ্রেন্দশিপ বোল্লিবোল টুর্নামেন্টগী ৱিন্নর কে এম টি জাংনোইনা ওইরে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস):** ১৬ রক শুবা অসাম রাইফলস অমসুং কাংপোকপী য়ুথ য়ুনিয়ননা পুন্না শীন্দুনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরকখিবা পীছ এন্দ ফ্রেন্দশিপ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ৱিন্নর কে এম টি জাংনোইনা ওইরে।




টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা কে এম টি জাংনোইনা দেঞ্জর বোইজবু সেট ৩-১দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখিবনি। কে এম টি জাংনোইগী ইব্রাহিম অথোইনা বেষ্ট প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্টকী টাইটল ফংখি। বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট লোইশিনবগী থৌরমদা এ আরগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।










**PUZZLE NO. 1562**

**IM Arad Nazari (2425) - IM Karthikeyan Ajay (2386)**
**Titled Tue 25th Mar Early chess.com INT (7), 2025.03.25**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 d6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Nf6 | 5.Nc3 a6 |
| 6.Bg5 Nbd7 | 7.Qe2 e6 | 8.f4 Be7 | 9.O-O-O Qc7 | 10.g4 h6 |
| 11.Bxf6 Bxf6 | 12.Bg2 Rb8 | 13.h4 b5 | 14.g5 Bxd4 | 15.Rxd4 b4 |
| 16.Nd1 Nc5 | 17.Kb1 Na4 | 18.Qd2 Nc3+ | 19.Ka1 Nb5 | 20.Rxb4 a5 |
| 21.Rb3 Bd7 | 22.Nc3 Ke7 | 23.Nxb5 Bxb5 | 24.Bf1 Bc6 | 25.Bd3 hxg5 |
| 26.fxg5 a4 | 27.Rc3 Qb6 | 28.Rb1 Rxh4 | 29.g6... | |

**QUESTION : Black to win**

**Puzzle 1561 Solution :**

**28. Rxc8** *The white rook clears the way for White's bishop to the square a8. The white rook deflects Black's queen away from protecting the square h4. The white rook captures Black's bishop, which was defending the square b7.* **Qxc8 29.Qxf7** *The white queen captures Black's pawn, which was defending the square g6.* **Bf6**

*29...Rg8 30.Qxe6*
*29...Rg6 30.Rxg6*

**30. Rg6** *Mating net* **h5**

*30...Bh4 31.Qg7#*
*30...exf4 31.Rxh6#*

**31.Rh6#**
**1-0**







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com